## এডিটোরিয়েল

### জেনরেল ইলেক্সনগী থৌরাং

*মথং চহী ২০১৭ গী অঙনবা শরুক্তা লৈবাক অসিনা অতোপ্পা ষ্টেট ৪ গা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী জেনরেল ইলেক্সন অসিগীদমক ইলেক্সন ওঠোরিটি অমসুং তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ইংন–চীক্লা ইলেক্সন পাঙথোক্লবা অমসুং মায়–পাক্লবা থৌরাং কয়া লেপ্তনা পায়খৎনরক্লি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই সি আই) গী টিম কয়া লাক্লুনা ইলেক্টোরেল রোল শেম–শাবা য়াওনা নিয়ম চুম্না ইলেক্সন পাঙথোক্লবা পায়খৎপা য়াবা থৌরাং কয়া পায়খৎপা হৌখ্রে। অমরোমদা পোলিটিকেল পার্টিশিং মপুং ওইনা ষ্টেটতা সরকার পায়রিবা কংগ্রেস অমসুং সেন্তরগী সরকারনা লূচিংলিবা বি জে পি না মখোয়–মখোয়গী মীচং খোম্বগা লোয়ননা ইলেক্সন অসিদা মায়–পাক্লা অরোনবা অমসুং অফোঙবা পোরম কয়া য়াৎপা হৌখ্রে। বি জে পি গীদি নেস্লেল প্রসিডেন্ট অমিটসাহ থা অসিগী ১৪ হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ইম্ফালদা লাক্লুনা ইলেক্সন অসিগা মরী লৈনবা শো অমসু উৎখ্রে। অমরোমদনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল লিদর কয়া শাফগদবা মফমদা চঙশিন্দুনা মখোয়–মখোয়গী ফিভম চেৎনবা হোৎনবসু লেপত্রি। মখা তানসু হোৎনরকখিদৌরি।*

*হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ইলেক্সন অসিগীদমক লাংখৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী মনুং চন্না পোলিটিকেল পার্টিগী লূচিংবশিংনা অমগা অমগা মরাল শিনদুনা চৈনবা, হুন্নবা অমদি অশেংবা অফবা শাবগী মওং নত্তনা অতে উবা অমদি তাবা ফংদ্রি। পূন্নমক অফবা ঙাক্তনি হায়বদু উৎনবা হোৎনরি। পোলিটিক্সতা মরুপ লৈতে–য়েক্লবসু লৈতে হায়রবসু লাউনরিবা চৈনরিবা কয়া অসিনা মীয়ামগীদমক, অফবা অমদি অচুম্বা মীৎয়েংদা থবক তৌরক্কনি হায়বসিদি থাজবগী ব্রাংমদা অদুম্মক লৈরি। লূচিংবশিং অসিনা ঙাংলি–শকলিবশিং অসি তানিংদবা মীনা মশিং য়ামখৎলকপা ওইনসু উরি। অসিগুম্বা ফিভমদা লূচিংবশিং অসিগা কদাইফাওবা মীয়ামগী থাজবা থল্লবগে হায়বসি য়াম্না কুপ্না নৈনবা তঙাইফদে।*

*পীক্লবসু চাউরবসু পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী ব্রাখল্লোন অমদি পান্দমদি মীয়ামগীদমক কৎথোকপা, সেবা তৌবা, অব্রাবা খুদোংথিবা লৈহন্দবা অসিনচিংবনি। তৌইগুম্বসুং লূচিংবশিং অদুগী শাজৎ–লিচৎনা পার্টিগী ব্রাংলবা ব্রাখল্লোন অদু মাংথোকপগী মওংদা মরেং ফনগৎলকপা অসিদি মীয়াম্না তুমিন্না য়েংদুনা লৈফম থোক্তে। অদুনা দিমোক্রেসিদা মীয়াম্না পূন্নমক্কী মপুনি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক খঙমিন্নবা তঙাইফদ্রে।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মীতোপকীদমক্তা ব্রাবীবা তোক্লসি

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

*১৯৫১ গী মনুং চল্লবা কাংলূপ খুদিংমক কনা অমত্তনা অয়েৎপা থমখিদে। চহীসিগী মতুংদা লাকপশিংদি অতোপ্পা ষ্টেট কন্ট্রিশিংদা পোল্লকখিবা চাওরক্লবা কয়ানা চঙলকইবা ঙাক্তা ওইবনা ঐখোয় বেজ ইয়ার শেমদোকপা য়াবা ঙম্লোই। মরম হায়ববু মখোয় মখোয়না পোল্লুরিবা ষ্টেট নৎত্রগা কন্ট্রিদুদা অতে মখোয়গা হৌমিন কামিন্নরকপশিংনা খঙইবনি। অদুগুম্বশিং অদুবু লমদমসিগী মীওইশিংনা মখোয়বু লমদমসিদা পোল্লকখিবা অমগুম্না অয়াবা পিবা হায়বসি মখোয়গা হেমিন্নরকখিবশিং লৈহৌরিবশিং অদুনা ঐখোয় প্রজাশিংবু করি হায়না খনখিগনি করিনি হায়হনগদৌরি। ঐখোয়সিবু লোল লৈজদবা মী লৈজবা লাইরিক্কী মঙাল ফংদ্রিবা মিকিথি পাংদবা ওইনা লৌরোইদ্র?*

*পাংদবা খঙদবা কয়ানা লমদমসিগী লৈঙাক মপু ওইবদগী ওইরিবনি হায়বসি হায়নখিনি। অসুম্না মখোয়বু কিবদগী বিল মেদোকপা হায়বসিগী মহুত্তা দিমান্দ পূন্নমক তোক্লুনা মীতোপশিংদা মনিং তৌহনখিবনা ফরনি। আই এল পি ঈহৌগী অর্থ থোক্ত্রে হায়বা তাকপনি। বেজ ইয়ার হোংদোকপা হায়বা ব্রাফমসিদা ভারত সরকারনা য়াদ্রবসু ঐখোয়গী অচুম্বা ফিরেপ তাকপা ঙমদবদগীনি। মখোয়না য়াদ্রে মখোয় য়ান্নবা চৎসি হায়বা লৈরগদি মখোয়গী হোমলেন্দসু পিথোকপিখ্রো মদুনা পুংফা ফরগনি। ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চনবনি হায়বগী খুদোংচাবা লৌরকইবসি ঐখোয় থেংনবা তাই। বেজ ইয়ার শেমদোকপা হায়বসি ঐখোয় মশেল ইমু নাইমু তাহন্নবনি। ইশাগী অশেংবা ফীরেপ লৌবা ঙমদবা লূচিংবশিং ফম কোন্দুনা লৈবিরগনু থাদোকপিরো। বেজ ইয়ার শেমদোকপদা য়াবিগদবা ওইরবদি জে এ সি লৈবগী করি কান্নরি। লৈখিদ্রবা থব্রায়না করিদা পোম্বা ওইখিবনো খন্থবা চুমই। লৈখিদ্রবা মখোয়গী থব্রায় ৯ অদুদি ওইজবা থিবা লাকপশিং মরক্তগী জ্ঞান তাদবশিংদা উশিন ওইহনখিবনি। মখোয় খুদিংমক লমদমসিদা পোল্লকখিবা নত্তবশিংনা মখোয়গী অশেংবা পোল্লুফম মীওইবগী মহৈ ফংজবনি। অরানবনা অচুম্বা শাবসিদা লাল্লি হায়বা ঙমদ্রবা লুচিংবশিং লৈরিমখৈ ঐখোয় প্রজা ব্রাদুনতা লৈরগনি থাজে। শেমদোকপা বিলদা বেজ ইয়ারদা য়াগদবা লৈরবদি ইহৌ অমুক হৌবিরগনু। ঐখোয় মীতোপ্পা হায়বদা য়াবগী মহৈনা অনৌবা বিল শেমদোক শাদোকপা য়ারোই হায়দুনা চুরাচান্দপুরদা রেলি শীন্দুনা উশিত্তবা মশক তাকইবসিনি।*

***অদোমগী***
***এন হেরা মীতৈ***
***ইম্ফাল***

## নুপীশিংবু লৌ–ইঙ্খোল অমসুং লন –থুমগী মপূ ওইহনবগী তঙায়ফন্দবা

হাওবা

নুপানা খুল্লিংবা খুন্নাই অসিনা ঙসিদি কায়নথংদা ভাব তারকপা মরু ওইবা ব্রাফম অমদি, খুন্নাইসিদা নুপী–নুপা থাক মান্ননা হিংমিন্নরবদি ইমুং–মনুংশিং নুংঙাই য়াইফগনি অমসুং খুন্নাইগী থাক ব্রাংখৎকনি হায়বসিনি। মমাঙঙৈদদি, লাইরিক–লাইশু হৈবা ব্রাৎনরিঙৈ মতমদদি নুপীবু থৌওইনা নমথদুনা থম্নবা হোৎনরম্মী। নুপীবু নুপানা পাল্লবদি নমদুনা অমসুং ফাদুনা লৌবনা চৎনবী ওইরম্মী। নুপী মশানা য়াদ্রবসু নোংঙাল্লগা লৈকায়গী ব্রা ঙাঙবা হৈবা অহলশিংনা চন্দোন ঙৌরোক ঙৌনা থিন্দুনা চৎলগা নুপী হায়দোকপা চৎনরম্মী। নুপী অদুসু অতে নুপীশিংনা নমথেম থেমদুনা, কান্নদে নুপী পুন্সিদি অসি ঙাক্তনি, নুপীগী মমং অনী শুবদি মহাপাপনি হায়জিন্দুনা লান্না লান্না লজীংবীরক্লি, নুপীবু নুপীনা নমথবিরক্লি। তশেঙবদি মদুগী মায়ওন নুপা খুন্নাইনা পীবনি। নুপীদা ঈথিল পীবসু নুপানি, মপান থোকহন্দবসু নুপানি, লাইরিক হৈহন্দবসু নুপানি।

ফীভম অসিদগী হেঞ্জিল্লকখিবনা, পোকমিন্নবা ঈরেমখাক্কী মপৌব্রানা, মবুংনা মহৈ–মশিং তন্নিমখৈ তম্বা ফংহন্দবা, নুপানা অমাংবগা শম্নবা য়াদ্রবদা নুপীনা লুখাক চাদুনতা লেল্লক্লবা নুপা খুন্নাইনা নমথবীরবা পুন্সিরোল অসিনি। করি অমুক হায়গনি, মমা–মপাগী ইনভেষ্টমেন্ট চখবদা মবুং মৌপব্রাশিংগা মান্নবা মীৎয়েং ফংবা হায়বসি অতাঙবা থৌদোক্লি। অসিগুম্বা পেন্দবা, নুংশুং–নুংজানরবা শক্তম পুদুনা চাউখৎলক্লিবা পুন্সিশিং অসিদগী লীৎখৎলক্তুনা য়ুম্বাল্লবা পুন্সিগী তাইবংদা নুপাগী মরুমদা মতীকচাবী মীশক অমা ওইনা লেপ্পা ঙল্লক্কনি হায়বসি থাজবগী ব্রাংমদনি। মসিগী মথক্তা মমা মপাগী লন–থুমবু মান্নবা মীৎয়েংদা ফংবগী চৎনবী লৈতে। খুন্নাই অসিনা নুপীগী সোশল সিক্যুরিটি শেম্বীদবা, তুংলমচৎ পীবীদবা অসিগী ফংফম থোকপা মহয়শিং অদুদি খুন্নাইনা ফংদনা তোক্তে। চাওখৎপা মশক খঙদবা খুন্নাইনা মথক্তা তিল শীৎকৎচরি।

হীরমসিগী মরীদা ঙসিগী খুন্নাই কয়ানা হঙ্গৎনা য়েংখৎনদুনা খুৎ তিংথোক্লুখ্রে। মসিগী মনুংদগী খুদম অমত্তা পল্লবদা, হৌখিবা এপ্রিলগী থাখায়দা সিভিল রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা শীন্দুনা রাজস্থানগী কোনুং জয়পুরদা 'মহিলা উদঘোশ' (নুপীগী খোঞ্জেল) হায়না মিংথোন্দুনা কনভেনসন পাঙথোকখিবা অদুনি। কনভেনসন অসিগী পান্দমদি নুপীশিংনা মশানা মশাবু ইকাইখুম্নজবা, মশাগী শোয়দ–ঙামদবা পুক্নিং লুম্না লৈজনবা অমসুং মতিক চাবা লেম্বগী মগুণ অদুবু শোয়দনা মথৌ তৌহন্নবগীদমক্তা পোখোক –চাথোকশিংগী থাক্তা চঙফম থোকপা থোঙ্গাল ফংহনবগী অমসুং মদুবু মপূ ওইহন্নবগী য়ুম্ফম থোনবগী থবক্তি নুপীশিংবু লন–থুম অমসুং লৌ ইঙ্খোল মপূ ওইবগী অমসুং হিংনবা লম্বীগী ফংফম থোকপা হক অদু ফংহনবা অসিনি।

কনভেনসন অদু রাজস্থানগী দিষ্ট্রিক্ট ১৭ থুংনা দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা কনফরেন্স কয়া 'ওকসন এইদ' কৌবা ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসন অমনা লমদমদুগী মীয়ামগী ঈহৌ অমা ওইনা হৌখিবা এপ্রিল থাখায় ইং ২০০৯ দা পাঙথোকখিবনি। ফোংনা খন্নখিবা ব্রাফমশিংদি হৌজিক্কী গ্লোবেলাইজ তৌরবা শেম্মীৎ লোননা মায়ওন পীরিবা খুন্নাইসিদা নুপীসিগী ফংফম থোকপা লন–থুমগী অমসুং লৌ–ইঙ্খোলগী হক অসিবু নিয়ম নাইনা তুহৎপিরি। লৌ ইঙ্খোল মপু ওইবগী হক অসিবু পীবিদ্রবদি, মখোয়না হিংবগী লানদা নুপানা খুল্লিংবা খুন্নাইনা লম মপুখক্তমক ওইবগী ব্রাফমবু শীংনবা ঙমদনা হেন্না লুম্লবা পোৎলুম অমমুক কোকথোংনরদুনা চৎপা তাই। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা পাক–চাউরবা হীরমশিংদা হায়বদি চৎনবীশিং, নুপীনা লম ফংফম থোকপা হক, ব্রাথোক অমসুং লন–থুম ফংবগী মরীদা শীংনবশিংগী মতাংদা খন্ন–নৈখি। শরুক য়াখিবা লুপশিং অদুদি – 'একসন এইদ' 'ব্রাকিং গ্রুপ ফোর ব্রুমন এন্দ লেন্দ ওনরশিয়প' 'জন চেতনা সংস্থান', 'পীপল' স য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিবটরীজ অমসুং ষ্টেট ব্রুমন ' স কমিসনগী মকোক থোংবা নুপীশিং ঙাক্তনি। রাজস্থান হায় কোর্টকী হান্না জজ ওইরম্বা জষ্টিস মুহম্মদ য়ামিননা হায়খিবদা, য়ুম অমসুং লৌ–ইঙ্খোলগী আইন্না য়াবা মপু ওইহনবা অসিনা নুপীশিংগী শেল–থুমদা চাওখৎপা অমসুং পোখোক হেন্না পুথোকপা ঙমহনবদা নত্তনা ক্রেদিটকী থোঙ্গালদা চঙবা ঙমহনগনি। পুথোক–পুশিন য়াদবা লন–থুম (ইম্মুভেবল প্রোপর্টি) গী মপু ওইহনবা অসিনা নুপী ওইবশিংগী চীং–লেম্বা মতৌ অমসুং মশানা মশাবু থাজবা অসি হেনগৎহনগনি অসিনি। শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোকখিবা মরু ওইবা ব্রাফমদি – মরু ওইবা চীঞ্জাক পুথোকপা মীওইশিং ওইনা, নুপীশিংবু মপু ওইহনবা হায়বসিনি। চাবা ফংদবা অমসুং খুঙ্গংগী লায়রবা অসিবু মুখৎপদা নত্তনা, নুপীশিংগী মায়োক্তা চখরিবা পামদবা থৌদোকশিং থোকহনবদগী ঙাকথোক্লবা অমদি নুপীশিংবু শোয়দ–ঙামদনা পুন্সি লেনহন্নবগী মরু ওইবা লম্বীনি। তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা য়াওননবা, মখোয়না হেলথ, এদ্যুকেসন, ন্যুট্রিসন, ফুদ সিক্যুরিটি, হ্যুমন সিক্যুরিটি অমসুং নুপীগী আইদেন্টিগী ব্রাফমশিংদা শৌগৎপিনবা ব্রাকৎ পরেংশিং ইরদুনা থাখি। মদোম তরক লৈরিবা লায়রবী লুখ্রাবীশিং, খুদোংচাবা ফংদ্রবী , লায়থোকপীরবী নুপীশিংগীদমক্তা অমসুং মখোয়গী লৌ–ইঙ্খোল, লন–থুমগী মপু ওইহনবা তেক্ত–কায়দনবগীদমক্তা গভর্নমেন্ট অমসুং মরী লৈনবশিংদা হায়জখিবা ব্রাফম অসি য়াম্না মরু ওই।

হীরমসিগা মরী লৈননা থোইদোক্লা পনবা য়াবদি খা নোংপোক এসিয়াগী খুন্নাইদা লৈরিবা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং অসিনি। লমদমসিগী খুন্নাইশিং অসি অয়াম্বনা নুপানা খুল্লিংবা খুন্নাইশিং ওইরবসু, নুপীশিংগী মপানথোক্লা শেন্দানবগী চৎনবী লৈবা মরম্না মখোঙ মরোমদোম লেপ্পা ঙম্না হিংবগী মতিক মগুণ চেল্লি। খাসি খুন্নাইগুম্বা মেট্রিয়াকল সোসাইটিনা নুপীবু লন–থুম, লমগী মপু ওইহনবগী চৎনবী লৈবা মরম্না নুপীশিং অসিনা খাসি খুন্নাইগী অব্রাংবা মফম ফংবা ঙম্মী। অদুবু অতে খা নোংপোক এসিয়াগী নুপীশিংদি মপান থোক্না শেন্দান্দুনা লৈবাক্কী শেম্মীৎলোনদা অচৌবা খুদোল পীবা ঙল্লবসু খুন্নাইগী অব্রাংবা মফমশিং ফংবা ঙমদ্রি, লৈঙাক ব্রায়েলদা শরুক য়াবা ঙমদ্রি। মসিনা তাকপদি, নুপীবু ফিনা কুপশিন্দুনা অমদি মপান থোকহন্দনা থম্বা খুন্নাইশিং অদুদগী হেন্না নুপীনা মপান থোক্লা শেন্দানবা লমদমসিগী নুপা খুন্নাইদা হেন্না তুহৎপিরি হায়বসিদি য়াম্না ময়েক শেংলবা ব্রাফমনি। লূরিবসিদি য়াম্না ময়েক শেংলবা ব্রাফমনি। লুরিবদি, ইমুং মনুংগী ব্রাফমদা নত্তনা, লৈবাক্কী খুন্নাইগী থৌ মপুং ওইনা পুবদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগুম্বগী নুপীশিং ফাওবদা লম অমসুং লন–থুমগী মপু ওইহনবগী চৎনবী লৈহন্দবা অসিমক্তি য়াম্না লাইবক থিবনি। লৈবাক খুন্নাইনা অরুবা ব্রাফমশিং মায়োক্লরক্লবা মতমদা কংলৈপাক্কী নুপীশিংনা লৌরক্লিবা থৌদাংশিং অসি থোইদোক হেন্দোকপা মখলগীনি। মখোয়গী খুদোলশিং য়াওরমদ্রবদি কংলৈ পুব্রারীগী লীক্লমশিং লান্না চৎলমগনি। অদুগা ঙসি মীখা পোন্নমক হিংলবসু, ইশাগী নাৎকী শক্তম, ইফুরুপকী পান্দম লীক্লম চুম্না চৎলিবসি ওইথোক্লম্লোই। য়েলহৌ লীক্লমদুদি কংলৈ চনুরাশিংবু লম অমসুং লন–থুমগী মপু ওইহল্লম্মী। কংলৈ লাইরেম্বীশিংনা মফম কন্দুনা ঙসি ফাওবা লৈরিবা অসিনা লেঙদ্রবা খুদমনি। ঙসিদি ইফুরুপকী চনুরাশিংবু নুপা খুন্নাইগা মান্ননা নাউশুম হাইখিবা অসিনা মরম ওইদুনা কংলৈ চনুরাগী পাঙ্গল হীকথহল্লগনি। লৈরিবা ফীভম অসিদদি, মুক্লবগী পুংখোলনা হেন্না হেন্না থীনজিল্লক্লবা লমদমসিগী সনামহী পাখঙবগী মুক্লববু ব্রাখৈঙম্বী লাই নুরাবীশিংনা পাঙ্গল মতিক লৈনা থোরকপা ব্রারগনি। পুব্রারী লীক্লমচৎকী লাংওন ওইবী নুপী লান, মৈরা পায়বীগী চপচাবা মফমশিং কনবা ঙম্লক্লরোই। পুব্রারীগী তৌরেশিং লীক্লম হোংখ্রগনি। মতাংসিদা পনবা য়াবদি, কম্বোদিয়াদা পেট্রিয়াকল খুন্নাই লিংলবসু, নুপীবু লম অমসুং লন–থুমগী মপু ওইহনবগী চৎনবী লৈবা মরম্না আর্মদ কন্ফ্রিক্টশিংদা নুপীশিংনা চাউরবা থৌদাংশিং লৌবা ঙমখি অমসুং ঙসিগী কম্বোদিয়াগী শেম্মীৎলোনদা নুপীশিংনা লাম্বা লৈত্রবা থৌদাংশিং লৌবা ঙল্লি। মদুগী তোপ তোপ্পা খুদোল খুন্নাইদা পীরি। মরম অসিনা নুপীশিংবু লমগী অমসুং লন–থুমগী মপু ওইবগী পুক্নিং লুম্বা ফীভমশিং তশেংনা থম্বীবা ঙল্লবদি, নুপীশিংনা য়ুম্বাল পুন্সিদা থেংনরিবা খুদোংচাবশিং, শীংনরকপশিংবু থেংনবদা অমসুং লৈবাক খুন্নাইগী থবক তৌবদা মপুং ফাবা পাঙ্গল শোয়দনা হাপকনি। লৈবাক খুন্নাইগী অফবা খুদম ওইগনি।

## ভোত্তা লৈরে পুম্বা

লৈশাংথেম দিজেন

হৌখিবা আগষ্ট থাদা সেনিয়র সিতিজেন ফোর সোসাইটি (এস সি এস) না শীন্দুনা লময়ানবা শঙলেন দা মথং চহীদা পাঙথোক্কদবা এসেমব্লি মীখল ফ্রি এন্দ ফেয়র হায়বদি মীখলদা নত্তবা পাম্বে মরু ওইনা পৈশা অমদি তাকু–তরাংগী শক্তি শীজিন্নহন্দনবগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফমদুগী পান্দমদি মণিপুর –মপু পান্দবা, চৎনা–পথাপ লৈতবা, শক্তি পায়বা তৌবা ঙম্বা মীনা তৌনিংবা তৌবদা ঐখোয়না উপায় লৈতনা য়েংদুনা লৈবা, মসিনা ঙসিদি অকনবনা অচুম্বা ওইরকপা, লাইর–ইনাক খুনবগী অনেম–অব্রাং কা হেল্লকপা, অদুগা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লকইবদি হৌগৎলক্লিবা ইচা–ইশুশিংগী তম্বা ঙমদবা মরাইবকসিনি মরমদি চৎন–পথাপ লৈতবা, অঙম –অঙম্বা সেৎ সেৎতুনা চান্নবগী চৎনবী অমা পীকখ্রবা খুন্নাইসিদা ঐখোয়গী মীহুৎ লূচিংবশিংনা কন্না হৌদোক্লকপসিনি। পুংকুই কুইদ্রিঙৈদা অঙাংশিংদা মী ওইননবা লাইরিক কন্না তম্মু হায়রম্বদু ঙসিদি মদুগী ওন্ন–তৈনবদা ফল লাক্লে। তাকু–তরাং তৌদুনা শক্তি পায়বা, তৌবা ঙম্বা মীগী মতুং ইন্দুনা থিকা তৌবা, ব্রাচৎ ব্রানোম তৌবনা নুংঙা–য়াইফবা ওইরক্লে। কৈরোয় লৈকায়নসু ইকাই খুম্নরে, সোসিয়েল ব্রার্কর শু ওইবা য়ারে।

লূরিবদি য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওইবা মওংদা খুন্নাইসিদা চৎনরকইবা মচৎসিনা চহী ২০০০ গী মথক্তা পুব্রারী লৈরিবা, স্পোর্টস তসু য়াম্না ফবা কলচর দসু চাউখৎলে হায়রিবা, লাইরিক হৈবগী চাংশু ব্রাংইবা ঐখোয়গী ফুরুপ অসি মরু ফংনা মুৎন্নবগী অহৌবা পরানি অমসুং কাংলুপ অসিবু তুম্না মাংহল্লকপা য়াবা কেন্সর লায়নাগুম্বনি হায়বদা লানগদ্রা? লায়না অসিদগী কনগে হায়রবদি লৈপাক্কী লূচিংবা ওইরবা মখুত্তা শক্তি পুম্বা পায়রিবা ঐখোয়গী মীহুৎশিং অসি ভোৎ তা ব্রারকপা নত্তনা অতে লম্বী লৈতে। লো শু মখোয়না শেম্বনি, লৈপাকশু মখোয়না চলাইবনি, লৈপাক মপু পালহনবা পালহন্দবশু মখোয়গী লিলানি, চৎন–পথাপ লৈহনগে–লৈহনলোইশু মখোয়গী মনিংনি, থব্রায় য়াওনা লাইরিক তম্লুবা ইচা–ইশুশিংগী লম্বী মাংহনবিগে –মাংহনবীরোইশু মখোয়গী থৌজালনি। এস সি এস না শিনবীখিবা মীফমদু মসিশিংসি খংমিন্নদুনা ঙসিদগীদি লৈবাক–মীয়াম ঐখোয় ভোৎ য়োল্লগুমসি হায়বনি। মসিগীদমক এস সি এস বু য়াম্না থাগৎচরি অমসুং শৌগৎচরি।

অমরোমদা শাইজিন তাইনরিবা আসাম, মিজোরাম, ত্রিপুরা নচিংবনা মীহুৎ খনবা, ভোৎ থাদবা হৈরগা চহী ২০০০ গী মথক্কী পুব্রারী লৈবগী চাওথোকচরিবা ঐখোয়না করিগী হৈতবনো। মসিমক্লনি পেন্দদুনা এস সি এস গী সেক্রেটরী খাইদেম মনি না "ঐখো প্রজা শক্তা" হায়দুনা হেক হেক তেংথারিবদু। লাই হাক্তক্তগী লৈরম্লবা পাউরৌ " ইকাই খঙদবগী হিদাক লৈতে" হায়বদু ঐখোয়দা হায়হল্লগুমসি। মরম অসিনা লৈপাক মপু পালহনগে –পালহনলোই, চৎনা পথাপ লৈহনগে –লৈহনলোই, ইচা–ইশুশিংগী লম্বী মাংহনগে –মাংহনলোই অসিপুম্বা শান্নরিবা ঐখোয়গী এম এল এ শিং লাইনা থারকপা নত্তে ঐখোয়না খনবনি। হৌখিবনা হৌখ্রে মাংদা তারিবা মীখল অসিদদি লৈপাক্কী থবক ঙমগদবা মীৎয়েং শানবা মীদা ভোৎ পীসি। হান্নগুম্না ভোৎ য়োন্দুনা অমুক হন্না ইচা–ইশুশিংবু নোরোক্কী কোমদা লংথরগুমসি।

মতাংসিদা পঞ্জনিংবদি হন্দক্কী ২০১৭ গী ভোৎসিদি ফুরুপ অসিগীদমক্তদি অরুবা লাংফম অমদা থোক্লুরে। মরমদুনা মতিক চাবা মীদা ভোৎ পীননবা মায়কৈ কয়াদগী পাউজেল পিন্নরিঙৈ চৈরক্তা কেন্দ্র খরদা ভোৎ লেপনিংবা মীওই খরনা মীয়ামদা দানবির কর্ণ শাদুনা হৌজিক্তগী হৌনা সোসিয়েল সর্ভিস কী মিংদা শেন–থুম থাদদুনা ভোৎতি ভোৎনি কাহৌরগা লোইরে, লৈপাক্কীদমক্তদি লাইনা তম্বা অমা লৈজরম্মনি হায়দুনা প্রজাবু মথুম–মরাং হৌহন্দুনা মীচং খোমলকপা ফুরুপ অসিগীদমক্তদি লাইবক থিবনি।

মরমদি ২০১৭ তা ভোৎ কাবা এম এল এ শিংনা চুম্না থক্ল–চানবা চেং–চাক, ঈশিং–মাইশিং, লৈরক–কোনসাং নচিংবা নুংঙাই হনবগী মথক্তা থেংনগদৌরিবসি মমাংগী লৈপাকপশিংগী খংদ–হৈতবা থৌশিলদগী ওইহল্লপা কাং–খোং চাইবগুম্লবা লৈবাক্কী ফীভম মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা লৈপাক কায়নিংঙাই ওইবা মওংদা চীং–তম মুক্লরকপা, ফুরুপ ৩৫–৩৬ লৈবা লৈপাকসিদা মৈতৈখক তোঙান তাশিল্লকপা, তম্পাক্কী মী ঙায়োক চফুগী ব্রারী মাল্লকপা, লৈপাক থবক থৌরম খুদিংদা "নখোয়গী মায়োক্তা ঐখোয় লৈ" হায়বা মুক্লরকপগী হৌরকইবা ইহৌ, মসিগী মথক্তা ত্রিপুরা দা থোকখিবগুম ২০১৮–১৯ দা ট্রেন চংলকপগা ইরোইননা ইরমদা ঐখোয় মাইনোরিটি ওইরকপা য়াবা কয়া অসিবু থেংনদুনা লৈপাক্কী মরাইবক শোয়দনা লেপ্পিগদৌরিবনি। অশুক লুবা লাংফমসিদা ঐখোয় শেন–থুম খরা ফংহৌরগা লোইরে নৎত্রগা মহাক্লা বার্তোন হানখ্রে হায়দুনা লৈঙাক কাংলোন খঙলোইদবা, ভিজন য়াওদবা মীদা ভোৎ পীরবদি ইশাগীদা নত্তনা ইচা–ইশুশিংগীশু মং তৌবনি অমসুং ফুরুপ অসিবুশু মুৎননবা শিনবনি হায়বসি য়ানিংদব্রা? চৈরকসিদা রাজনিতিগী গুরু খরনা সেগাইবা হৌরক্লবা মণিপুরগী খুন্নাই সোসিয়েল ফেব্রিক অসিগী মতাংদদি তুমিন লৈরগা, চে খক্তদা ঙাইশিল্লক্লবা মণিপুর গী ইন্টিগ্রিটি গী মতাংদা পংহুন হুন্নবা লৈপাক্কী অফবা ওইরোই হায়জনিংই।

অরুবা লাংফমসিদা সি এস ও শিং, মৈরা পায়বীশিং, লৈকাই ক্লবশিং অমসুং লৈপাক্কী য়াইফনবা খনবা পুম্বা লৈথক–লৈখা তুনা চৎমিন্নগদবা তানফম নত্তব্রা? ঐখোয়দি লাইরদনা মনমদা লাইরিক পোরিবা ইচা–ইশু মহৈরোই ফাওবা লমজাও শোরোক্তা ফুরুপ কন্দবা য়াদে হায়দুনা লাইরিক তমদবা মখৈ, লেপ্পা লৈতনা মপান্দগী মীতোপ চংশিল্লকইবসি থিংননবা আই এল পি চৎনহল্লু হায়দুনা পুলিস থেংনবদা শোকপা শীবা কীদনা চংশিল্লি। মশ্বাইদা ঐখোয়না নিংশিংগদবসি থোক্লিবা প্রোব্লেম থৌদোক ব্রাথোকশিংসিগী ব্রারোইশিন মীহুৎ লূচিংবশিংনা পুরকপা নত্তনা সোসিয়েল ব্রার্কর না সি এস ও না, নৎত্রগা মৈরা পায়বিনা পুরকপা য়ারোই। এসেমব্লিগী ভোৎ দি ম্যুনিসিপালিতি গুম্বগী লৈরক খোংবানগী ভোৎ নত্তে। নরেন্দ্র মোডি নৎত্রগা রাহুল গান্ধি পুথোক্তু না ভোৎ খোম্বগী মহুত্তা ভোৎ লেপ্লিংবশিংনা ঐখোয়না মায়োক্লরিবা প্রোব্লেম ব্রাথোক ময়ামসি মীয়ামদা লোজিকেল্লি খঙহন্দুনা নহাক্লা ভোৎ কারবদি করম্না ব্রাথোকশিংগী ব্রারোইশিন পুরক্কদগে হায়না মীয়াম মমাংদা খন্ন–নৈনবিদুনা ব্রাখল তামিন্নরবদি মীয়ামগীশু মমিৎ মমায় ওইগনি, নহাকশু লূচিংবগী ইজৎতু ফংগনি।

মরম অসিনা ঐখোয় ঙসিদগী ইশাগী অমদি ইচা–ইশুশিংগী অমসুং লৈপাক্কী য়াইফনবগীদমক্তা ফীরেপ লৌবগী মতম ওইদ্রিব্রা? মরমদি এসেমব্লি ভোৎ তগী হেন্না লুবা লৈতবনি, ঐখোয়না পীরিবা ভোৎনা ঐখোয়গী লাইবক লেপ্পনি। করিগুম্বা খন্থহৌদনা ভোৎ য়োনখ্রবা পি এম ননেন্দ্র মোডি থমখো, ফুরুপসিবু লাংফমদগী কনবিবা লাইমক্নশু ঙম্লোই।